# লোকদাওন থম্বগী ৱাফম খন্ননবা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে



ন্যু দেল্লী, মে ০৩ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরস কেস কা হেন্না ৱাংখৎলক্লিঙৈ মরক্তা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংদা মীয়ামগী য়াইফনবা ইনফেক্সন চেইন থুগায়বা ঙম্নবগীদমক লোকদাওন থম্বগী ৱাফম খন্ননবা হায়খ্রে।

জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা চয়োল অনীগী মনুংদা পেসেন্টশিং হোস্পিটালদা এদমিট তৌবগী নেসনল পোলিসি অমা পুথোক্নবসু খঙহনখ্রে। অসিগুম্বা নেসনল পোলিসি অমা পুথোক্তিফাওবদি পেসেন্ট অমত্তা রেসিদেন্সিএল নৎত্রগা আইদেন্টিটি প্রুফ য়াওদবগীদমক্তা এদমিট তৌদবা নৎত্রগা তঙায় ফদনা চঙগদবা দ্রগশিং পীদবা তৌরোইদবনি। ষ্টেটশিংনসু পোলিসি অসি ইনগদবনি।

হোস্পিটালদা এদমিট তৌদুনা বেদ অমা ফংনবা হোৎনবা হায়বসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ অসিদা মী অয়াম্বনা থেংনরিবা খ্বাইদগী চাওবা শীংনবশিংগী মনুংদা অমনি হায়নসু টোপ কোর্ট অসিগী ওর্দর অদুদা পনখি। মশা মশাগী পান্থৈ য়েংজ হনবগী থৌওং অসিনা মরম ওইদুনা সিটিজনশিংবু হায়নিংঙাই লৈতবা ৱাহল্লি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং অমসুং লোকেল ওথোরিটিশিংনা মখোয় মখোয়গী প্রোটোকোলশিং ইন্নরি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা এদমিসন তৌবগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেন্দর্দশিং থম্বা অসিনা মথোং মরম খঙদবা কাং-খোং চাইবগী ফিভম লৈহল্লি। মরম অদুনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্টনা পীরিবা ষ্টেচুটরি পৱারশিং শীজিন্নদুনা হীরম অসিগা মরী লৈননা পোলিসি অমা শেম্নবা ঐখোয়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা দিরেক্সন পীরি হায়না ওর্দর অদুনা ফোঙদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা থোকখিবা ওর্দর অদুদা খুদোং চারক্তবা অমসুং তম্বা ঙমদবা মতমদা সপ্লায় লাইনদা অহোবা লৈহন্দনবা সেন্টরনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগা খূৎশম্নরগা ওক্সিজেনগী বফর ষ্টোক থম্নবা অমসুং ইমর্জেন্সি ষ্টোকশিং লেপ্পদা সেন্টরনা খূৎ থিংজিন্দনবসু খঙহনখি।

ইমর্জেন্সি ষ্টোকশিং নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা শেমগদবনি অমসুং নুমিৎ খূদিংগী ফিভম য়েংলগা ষ্টোকশিংদু মতম চুপ্পদা অৱাৎপা লৈহল্লোইদবনি। থৌরাং অসি ষ্টেটশিংদা হৌজিক থুংলিবা ওক্সিজেন চাকথুংগী মথক্তনি। দেল্লীগী পীফম থোকপা ওক্সিজেন সপ্লায়গী চাংদা পুখরিবদু নুমিৎ নীনিগী মনুংদা চাং নাইনা মপূং ফানা ফংহনগদবনি। লোয়নননা সোলিসিটর জেনরেলনা হীরম অসিগা মরী লৈনবা কোর্ট অসিদা থাজবা পীগদবনি হায়না ওর্দর অদুনা মখা তাখি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা ওক্সিজেন ৱাৎপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হেল্থ ইমর্জেন্সিশিংগা মরী লৈনবা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপাইনিংঙাই ওইরবা ফিভম্দু টোপ কোর্ট অসিনা এপ্রিল ২২দা সু মোতু কোগনিজেন্স লৌখিবনি।

# উত্তর প্রদেশকী য়োগি গভর্ণমেন্টনা খুঙ্গংশিংদা কোভিদ টেষ্টিং চাওনা চত্থরগনি



লক্ষ্ণৌ, মে ০৩ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী খুঙ্গংগী লমশিংদা কোভিদ ইনফেক্সন ৱাংখৎলকপা থিংহৌনবগীদমক য়োগি অদিত্যনাথ গভর্ণমেন্টনা মে ৫দগী ষ্টেট অসিগী রেভিন্যু খুঙ্গং খূদিংমক্তা কোরোনা-ভাইরস ইনফেক্সন খঙদোক্নবা টেষ্ট তৌথোকপগী অচৌবা কেম্পেন অমা হৌরগনি।

অৱাংবা থাক্কী কোভিদ রিভ্যিু মীটিং অমা প্রিসাইদ তৌখিবা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, খুঙ্গংগী লমশিংগী ফিভম তরাইনা লৌবা য়াদে। খুঙ্গংশিংদা কোভিদ শন্দোকপা থিংনবা ঐখোয়না লৌখৎফম থোকপা থৌরাং খূদিংমক লৌখৎকদবনি।

রুরেল এরিয়াশিংদা কোভিদ ইনফেক্সন হেনগৎলকপা লাকশিন্নবগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট ৭৫গী রেভিন্যু ভিলেজ ৯৭,৪০৯ রোমদা টেষ্টিং হেনগৎনবা ৱারেপ লৌরে। গভর্ণমেন্টকী পান্দমদি অতৈ মফমশিংদা তৌবগুম্না রুরেল এরিয়াশিংদসু ইনফেক্সন কন্ট্রোল তৌবা অসিনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা খুঙ্গংশিংনা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈবা চঙই। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ঐখোয়না তৌগবদদি ষ্টেট অসিগী রেভিন্যু ভিলেজ ৯৭,৪০৯মক্তা কোভিদ টেষ্টকী অচৌবা কেম্পেন অমা পাঙথোকপা অসিনি।

উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা মে ১দগী হৌগদৌরিবা ইনিসিএটিভ অসিগী পান্দমদি পোজিটিভ কেসশিং খঙদোক্তুনা রুরেল এরিয়াশিংদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং অদু কেস মশিং নেমথহনবা অসিনি। চীফ মিনিষ্টরনা ওফিসলশিংদা মথৌ তাবা খূদিংমক শেম-শানবা তকশিনখি।

দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা কোভিদ শন্দোকপা লাকশিন্নবা আর আর টি (রেপিদ রেস্পোন্স টিম)শিংগী মশিং হেনগৎকদবনি। আর আর টি টিগী মেম্বরশিংনা য়ূমথোঙ খূদিং চৎতুনা বোদি টেম্পরেচর চেক তৌগদবনি। ওক্সিজেন লেভেল রেকোর্দ তৌগদবনি অমসুং হোম আইসোলেসন তৌরিবা মীওইশিংদা অতৈ লাইওংশিং চেক তৌগদবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা টেষ্টিংগী অচৌবা দ্রাইভ অদু মায় পাক্না ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা শেম শাবগী থবকশিং লোইশিন্নবসু চীফ মিনিষ্টরনা হেল্থ দিপার্টমেন্টতা ওর্দর তৌখি। মোনিটরিং কম্মিটিশিংগী মতেং লৌনবসু মহাক্না ওফিসলশিংদা তকশিনখি।

মশা নুংঙাইতবশিং নৎত্রগা পোজিটিভ ওইবশিং কোভিদ মেদিকেল প্রোটোকোলশিংগী মতুং ইন্না লায়েংগদবনি। মখোয়গী ফিভম য়েংলগা হোস্পিটালদা এদমিট তৌগদবনি নৎত্রগা হোম আইসোলেসন তৌগদবনি। ইনফেক্সন লৈবা মীওইশিংদা মেদিকেল কিট পীগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

# পাকিষ্টান্না সীজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লক্লে

জম্মু, মে ০৩ (এজেন্সী):

থা অনী হেন্না তূমীন্না লৈরুরবা মতুংদা পাকিষ্টানি রেঞ্জরশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কায়হৌরুবা তৌদনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী সম্বা দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা রামগর সেক্টরগী ইন্টরনেসনল বোর্দরদা নোংমৈ কাপশিল্লক্লে হায়রি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা পুরকখিবা সীজফায়র থুগায়বগী অহানবা খোঙথাং ওইনা পাকিষ্টাননা বি এস এফ পেট্রোল পার্টি অমদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। রামগরদা বোর্দর ফেন্সিং তৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা পাকিষ্টানি রেঞ্জরশিংদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। থৌদোক অদুদা অশোক-অপন্দি য়াওখিদে।

মসিগী মমাঙ হৌখিবা মার্চ থাদা জম্মু এন্দ কাশ্মির দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস দিলবাগ সিংহনা ফোঙদোকখিবা অমদা, ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টাননা সীজফায়র এগ্রীমেন্ট ঙাক্নবা হৌখিবদগী বোর্দর এরিয়াশিংদা সীজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং চাদা ১০০ হন্থরে অমসুং নারোন্দগী বোর্দর লান্না চঙশিল্লকপগী কেসশিংসু অমত্তা থেংনদ্রে হায়খিবনি।

পনবা য়াই, হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৪দা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টাননা পূন্না থোকমিন্নখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা লৈবাক অনীনা কুমজা ১৯৯৯দা খূৎয়েক পীনখিবা সীজফায়র এগ্রীমেন্ট চেকশিন্না ঙাক্লগনি হায়না লাউথোকখি।

# গুরুগ্রামগী হোস্পিটাল খরা ওক্সিজেন লৈতবদগী মথৌ লেপ্পে, কোভিদ পেসেন্ট ১৫ শিখ্রে




গুরুগ্রাম, মে ০৩ (এজেন্সী):

হৌখিবা চয়োলদা গুরুগ্রামদা লৈবা অপীকপা হোস্পিটাল খরা ওক্সিজেন সপ্লায় ৱাৎপনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯গী অরুবা পেসেন্ট ১৫ রোম লৈখিদ্রে। হোস্পিটালশিং অসিনা ত্বিটর নৎত্রগা অতৈ সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্মশিংগী খূত্থাংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্দা লিক্বিদ ওক্সিজেন দিমান্দ তৌদুনা লাকখি।

হোস্পিটাল মেনেজমেন্টকী মতুং ইন্না, এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ গুরুগ্রাম (এম সী জি)না লিক্বিদ ওক্সিজেনগী দিমান্দশিং অদুবু করিমত্তা থৌশাবীখিদে হায়না ক্লেম তৌরদুনা হোস্পিটাল কয়া'মনা মখোয়গী পেসেন্ট খূদিংমক দিসচার্জ তৌবগা লোয়ননা হোস্পিটালগী থবক থৌরম খূদিংমক লেপ্পুনা লৈখি।

হোস্পিটালশিংদুগী মরক্তা অমা ওইরিবা কথুরিয়া হোস্পিটালগী দিরেক্টর অশোক কথুরিয়ানা ফোঙদোরকখিবদা, ওক্সিজেন সপ্লায় ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ওল্দ গুরুগ্রামদা লৈবা হোস্পিটাল অদুগী কোভিদ-১৯ পেসেন্ট ৪ শিখ্রে। হৌজিক্তি ঐখোয়না কনাগুম্বশিংগী লাইফকী রিস্ক লৌবা ঙম্লোইদবা ওইবনা অনৌবা কোভিদ পেসেন্টশিং এদমিট তৌবা লেপ্লে। ঐখোয়না শোয়বসু নত্তনা করিগীদমক্তা পেসেন্টশিংগী ইমুংগী অশাওবা মায়োক্নগদৌরিবনো। 'হৌজিক পেসেন্ট ১৪০ হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈরি'। হোস্পিটাল অসিগী ত্বিটর পোষ্ট অমদা ওক্সিজেন টন ১ য়ৌদনা হোস্পটাল অসিদা থুংলরে হায়খি।

চৈরক অসিদা গুরুগ্রামদা লিক্বিদ ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈতে হায়না এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংনা ক্লেম তৌখ্রে। গুরুগ্রামগী ওল্ড রেলৱে রোদতা লৈবা অরিয়ান হোস্পিটালনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়, হোস্পিটাল অসিনা ওফিসলশিংদা ওক্সিজেন পীবিরক্নবা হায়জখি। তৌইগুম্বসুং, হৌজিক ফাওবা ওক্সিজেন থাবীরক্ত্রি।

এস পি ঈ এস হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ভারতনা হায়, হোস্পিটাল অসিদা ওক্সিজেন সিলিন্দর অমত্তা লৈতবদগী হৌজিক অনৌবা কোভিদ পেসেন্টশিং এদমিট তৌদ্রে। ওক্সিজেন সপ্লায় লেপখিবনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না ইন্দোর পেসেন্টশিংগী ইমুংশিংদা মখোয়গী লায়েং মখা চত্থনবগীদমক ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং এরেঞ্জ তৌনবা হায়খ্রে।

ওক্সিজেন য়াওদনা করম্না ঐখোয়না লায়েং চত্থগদৌরিবনো। ঐখোয়গী মায়কৈদগী অশোয়বা তৌখিবা লৈতনা করিগীদমক্তা ঐখোয়না মীয়ামগী অশাওবা মায়োক্নগদৌরিবনো। গুরুগ্রামদা ওক্সিজেন সপ্লায়গী চাকথুং শিনবগী থৌদাং দিষ্ট্রিক্ট মেনেজমেন্ট অমসুং এম সী জিনা পুগদবনি হায়না মরু ওইবা হোস্পিটাল অমগী মশক মমিং খঙহন্নিংদবা সিনিয়র দোক্টর অমনা ফোঙদোকখি।

# ওক্সিজেন ৱাৎপদগী কর্নাটকাগী হোস্পিটাল অমদা মীওই ২৩ শিরে



বেঙ্গলুরু, মে ০৩ (এজেন্সী):

কর্নাটকাগী চামারাজনগর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদা ওক্সিজেন সপ্লাই খঙহন হন্থখিবদগী য়ামদ্রবদা পেসেন্ট ২৩ শিখ্রে। থৌদোক অদু হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং ঙাইহাক লৈরগা থোকখিবনি।

হোস্পিটাল অদুগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা হৌখিবা অহিং নোংয়াই অমসুং নোংঙাল্লমদাই পূং ২ তাবদগী মরক্তা ওক্সিজেন সপ্লায় খঙনেম নেমখি। য়ামদ্রবদা পেসেন্ট ১৪৪ হোস্পিটাল অদুদা লায়েংদুনা লৈ।

বেঙ্গলুরুদা লৈবা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, থৌদোক অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরাপ্পানা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরগা ৱারী শানবগা লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইমর্জেন্সি কেবিনেট মীফম অমা কৌখ্রে।

চৈরকসিদা, হোম মিনিষ্টর বাসাভারাজা বোম্মাইনা দি জি পি প্রভিন সুদতা থৌদোক অদুগী মতুংদা থিজিল্লগা মপূং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে।

চামারাজনগর দিষ্ট্রিক্ট ইন-চার্জ মিনিষ্টর এস সুরেশ কুমারনা ফোঙদোরকপদা, হৌজিক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থিজিল্লিবা ৱাফম ওইবনা মীশি খূদিংমক ওক্সিজেন ৱাৎপগা মরী লৈনৈ হায়বসি চুপ্লোই। হীরম অসিগী মতাংদা অকূপ্পশিং খঙদোক্নবা মহাক বেঙ্গলুরুদগী চামারাজনগরদা চৎলগনি।

লৈরিবা ফিভম অদু য়েংশিন্নবা হেল্থ মিনিষ্টর কে সুধাকরসু বেঙ্গলুরুদগী চামারাজনগর পাংখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা মাইসুরগী এম পি প্রতাপ সিমহানা হায়, হৌখিবা নুমিদাং অথেংবদা মিদিয়াগী মীওইশিংনা চামারাজনগরদা ওক্সিজেন ৱাৎপগী মতাংদা ঐহাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লকপদগী ঐহাক্না দি সি রবি কন্টেক্ট তৌবগা লোয়ননা ওক্সিজেনগী চার্জ পুরিবা এ দি সিগসু কনফরেন্স কোল তৌদুনা ৱারী শানখি। অহিংগী মতমদা ঐহাক্না সাওদর্ন গ্যাস কন্টেক্ট তৌখি অমসুং মখোয়না সিলিন্দর ১৫ পীখি। থৌরাং খূদিংমক লৌখৎতুনসু অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অসি থোকখি। চামারাজনগর অরাপ্পা মফম নত্তে। মখোয়গী অৱাবদা ঐখোয়না শরুক য়ারি।

কোরোনাভাইরস পেন্দমিক হৌখিবদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পূন্না কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন কেস ১১,৯২৮ থেংনরে। নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওই ১৬৭ শিখ্রে।

# নন-কোভিদ পেসেন্ট নুপী ১ হোস্পিটালনা এদমিট তৌদবদগী লম্বীদা শিরে

পিলিভিট (য়ুপি), মে ০৩ (এজেন্সী):

মতম শাংনা কিদনিগী লায়না মখল অমা চেল্লক্লিবী মশা চহী ৫৫ শুরবী নুপী অমা লম্বীদা লেকথেরক্তুনা মতম শাংনা লৌখৎপীদনা ফূটপাঠতা তাদুনা লৈখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

মীশি অদু নুপী অদুগী মপুরোয়বনা হঞ্জিন হঞ্জিন্না ফোন তৌবদা এম্বুলেন্স হেল্পলাইন সর্ভিসনা রেস্পোন্স তৌরক্তবদগী থোকখিবনি। কসিম্পুর ভিলেজদগী হৌরকখিবা লৌমী মতৈ-মনাও অদু ইরাই নুমিত্তা নুপী অদুনা মশাদা খাংবদা ৱারবা চৈনা অমা ফাওরে হায়না কমপ্লেন্ট তৌখিবা মতুংদা পিলিভিট সিটিদা লায়েংনবগী-দমক লাকখিবনি।

লৈখিদ্রবী লোংশ্রি কৌবী নুপী অদুগী মপুরোয়বা ব্রিজেস কুমারনা ফোঙদোরকখিবদা, মহাক্কী লোয়নবী লোংশ্রিগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকখি অমসুং মহাক্না লোংশ্রিবু হোস্পিটাল অদুদা পুখি। তৌইগুম্বসুং হোস্পিটাল অদুগী দোক্টরনা মেদিকেল এগজামিনেসন তৌদনা হীদাক খরা ইরকখি।

মহাক্না লোংশ্রিবু এদমিট তৌবীয়ু হায়জবদা দোক্টর অসিনা মহাক হীদাক-লাংথকশিং অদু শীজিন্নরগা শোয়দনা ফরক্লগনি হায়দুনা মখোয়বু থাদোরকখি। মমৈথংদা লোংশ্রি হোস্পিটাল অদুগা নক্নবা লম্বীগী ফূটপাঠতা শিখি।

# শেলগী মনা লাউথোকখ্রবা মাফিয়া দোনগী লোয়নবী মীখলদা মায় পাক্লে

জাওনপুর, মে ০৩ (এজেন্সী):

বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)গী হান্নগী এম পি অমসুং মাফিয়া দোন ধনঞ্জয় সিংহগী লোয়নবী শ্রিকালা সিংহ জাওনপুরগী জিল্লা পরিষদকী মীখলদা মায় পাক্লে।

হাইদরবাদতা লৈবা পোলিটিসিয়ন অমগী মচানুপী ওইরিবী শ্রিকালা সিংহ উত্তর প্রদেশকী জিল্লা পঞ্চায়ত মীখলগীদমক নোমিনেসন ফাইল তৌখি। ধনঞ্জয় সিংহ অমসুং শ্রিকালা সিংহ কুমজা ২০১৭তা চাওনা লুহোংখি। শ্রিকালা সিংহ হান্না টেলুগু দেসাম পরিষদ (টি দি পি)তা য়াওরম্বদগী কুমজা ২০১৯দা হাইদরবাদতা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট জে পি নাদানা শরুক য়াখিবা থৌরম অমদা পার্টি অসিদা য়াওখিবনি।

মাফিয়া দোন ধনঞ্জয় সিংহ হৌখিবা থাদা জেলদগী থাদোকখিবা মতুংদা লোত্তুনা লৈখি। মহাক্না লোৎখ্রবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা শ্রিকালানা মীখলগী নোমিনেসন ফাইল তৌখি। লোকেল পুলিসনা মহাক্কী মপুরোয়বগী য়ূমদা রেইদ তৌখি অমসুং মী হাৎপগী কেস অমগা মরী লৈননা মহাকপু ফানবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মহাক য়ূমদা লৈরমদবদগী মীরোৎ ওইরে হায়না লাউথোকখি। মদুগী তুংদা পুলিসনা মহাকপু ফানবগী পাউ পীবা ঙম্বা মীওইদা লুপা ২৫,০০০গী শেলগী মনা পীরগনি হায়না লাউথোকখি।

# নুমিৎ ১৫নি লোকদাওন মপূং ফানা থম্নবা আই এম এনা দিমান্দ তৌখ্রে

পটনা, মে ০৩ (এজেন্সী):

কোরোনাভাইরস পোজিটিভ কেস মশিং হেনগৎলকপগী ফিভম য়েংদুনা বিহারদা নুমিৎ ১৫নি লোকদাওন মপূং ফানা থম্নবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ)না দিমান্দ তৌখ্রে।

আই এম এগী নেসনল প্রসিদেন্ট ডা. সাহজনন্দ সিংহনা বিহারগী মরু ওইবা হোস্পিটাল মঙাগী মকোকশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখি। ষ্টেট অদুগী ফিভম পুংশিং খূদিংগী শোকচিল্লক্লে অমসুং ফিভম অদু লাকশিন্নবা খূদক্তা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৫নি লোকদাওন লাউথোকপনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়না মখোয়না মোত অমত্তা ওইনা ফোঙদোক্লখি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্লদুনা সিংহনা হায়, কোভিদকী ফিভমগী মতাংদা মখোয়না সি এম ও বিহারদা খঙহনখি অমসুং কোরোনা শন্দোকপগী চেইন থুগায়নবা ষ্টেট অদুদা নুমিৎ ১৫নি লোকদাওন মপূং ফানা থম্নবা দিমান্দ তৌখি।

সিংহনা পটনা এইমসকী দিরেক্টর ডা. পি কে সিংহ, ইন্দিরা গান্ধি ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (আই জি আই-এম এস) কী দিরেক্টর ডা. এল আর বিস্বাস, পটনা মেদিকেল কোলেজগী দিন ডা. বিদ্যাপতি চৌধুরি, নলান্দা মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল (এন এম সী এইচ)গী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. বিনোদ কুমার সিংহ অমসুং সুভাস চন্দ্র বোস মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. উদয় কুমারনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা মীফম পাঙথোকখি।

কোরোনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মশিং এপ্রিল থাদা কা-হেন্না ৱাংখৎলকখি হায়না মেদিকেল ওফিসরশিং অসিনা ফোঙদোকখি। দেটাগী মতুং ইন্না, বিহারদা মীওই মঙাগী মনুংদা অমা কোরোনা পোজিটিভ ওই।

কেপিটেল পটনাদা নুমিৎ খূদিংগী আর টি-পি সী আর টেষ্ট ১৫,০০০ পাঙথোকপগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩,০০০ পোজিটিভ ওই। ইনফেক্সনগী চাং অর্বান এরিয়াশিংনা রুরেল এরিয়াশিংদগী হেল্লি। তৌইগুম্বসুং রুরেল দিষ্ট্রিক্ট খরগী ফিভম লুশিল্লক্লি।

বিহারগী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মীওই ১৬,৯৭,১২৯ সেম্পল লৌরগা টেষ্ট তৌবদা মীওই ১,০৬,৭৮৪ পোজিটিভ ওইখি। মখোয় হোস্পিটালশিংদা এদমিট তৌবা নৎত্রগা হোম আইসোলেসন তৌই।

কোরোনা পোজিটিভ ওইরবা পেসেন্ট ৮৮,৮৭৭ ইনফেক্সন অসিদগী ফরক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়না ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

পটনা দিষ্ট্রিক্টতা হৌজিক্তগী এক্টিভ পেসেন্ট ১৭,৫৯০ হোম আইসোলেসন তৌরগা নৎত্রগা হোস্পিটালশিংদা এদমিট তৌরগা লৈ। ইনফেক্সন লাকশিন্নবগী পান্দম বিহার গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ষ্টেট অসিদা নুমিদং পূং ৬তগী অয়ূক পূং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু থম্লি অমসুং দুকানশিং নুংথিল পূং ৪ ফাওবা হাংহল্লি।

# য়ু পিদা পঞ্চায়ত মীখলগী কেন্দিদেট কয়া রিজল্ট লাউথোক্ত্রিঙৈদা লৈখিদ্রে

লক্ষ্ণৌ, মে ০৩ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী পঞ্চায়ত মীখলগী কেন্দিদেট কয়া মায় পাক্লবসু রিজল্ট লাউথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে।

সিটশিং অসিগী মীখল নৌনা পাঙথোক্লগনি। মাইনপুরি দিষ্ট্রিক্টকী কুৱাৱালিদা ভিলেজ হেদকী ফম কন্টেষ্ট তৌখিবা পিঙ্কি নোংমাইজিং নুমিত্তা মীখলগী রিজল্ট লাউথোরকপদা মায় পাকখি। অদুম ওইনমক মহাক ভোট মশিং থিবা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা শিখি।

ফিরোজাবাদকী রাসুলরপুর ভিলেজদা বাবুলাল কৌবা কেন্দিদেট অমা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং মীওই অসি ভোট মশিং থীদ্রিঙৈ এদিপ্রিল ২৫দা লৈখিদ্রে।

সাবিতা কৌবী গ্রাম পঞ্চায়ত মীখলগী কেন্দিদেট অমসু নোংমাইজিং নুমিত্তা রিজল্ট হায়দোকপদা মায় পাকখি। তৌইগুম্বসুং মহাকসু রিজল্ট হায়দোক্কদবা নুমিৎ নীনি মাঙওইননা শিখি।

উনাওগী বোগালা খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত কেন্দিদেট শিবাকালিসু মীখলদা মায় পাকখি। তৌইগুম্বসুং, কেন্দিদেট অসিসু মায় পাকপগী রিজল্ট লাউথোক্কদবা নুমিৎ নীনি মাঙওইননা শিখি।

জাওনপুরগী রামনগর ব্লোকতা রামচন্দ্র কৌবা কেন্দিদেট অমা ভিলেজ হেদ খনবগী মীখলদা মায় পাক্লে হায়না লাউথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা শিখি।

দিওরিয়া দিষ্ট্রিক্টকী কাপুরি ইকৌনা ভিলেজগী পঞ্চায়ত মীখলদা কেন্দিদেট ওইরিবী ভিমলা দেবী কৌবী নুপী অমসু নোংমাইজিং নুমিত্তা ভোট মশীং থিবা হৌগদবা পূং অমরোম ৱাৎলিঙৈদা শিখি।

মহাক অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপা লোইরবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা মীখলদা মায় পাক্লে হায়না লাউথোরকখি। গোরাকপুর বরহলগঞ্জদা পাওন সানি কৌবা কেন্দিদেট অমা জাদপুর ভিলেজগী পঞ্চায়ত মীখলদা মায় পাকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক মায় পাকপগী রিজল্ট ফংদ্রিঙৈ মমাঙদা শিখি। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না কেন্দিদেট অয়াম্বা কোভিদকা মান্নবা লায়ওংশিং চেংখিবা ঙাক্তনি।

# কোভিদ-১৯ নাবদগী বিহারগী এগ্রি ওফিসল ১৫ লৈখিদ্রে



পটনা, মে ০৩ (এজেন্সী):

বিহারদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সননা মী শিহনবগী চাং কা-হেন্না ৱাংলি অমসুং মরু ওইনা ষ্টেট অসিগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা ওফিসল কয়া শিহনখ্রে।

দিয়ারা টাল দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর য়াওনা হৌজিক ফাওবদা বিহার এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসল ১৫ কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন্না মরম ওইদুনা পুন্সি লোমখ্রে।

প্রকাশ সিংহ চয়োল অমগী মমাঙদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা পটনাদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা শিখি।

মহাক্না লৈখিদবদা বিহারগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর অমরেন্দ্র প্রতাপ সিংহ অমসুং এগ্রিকলচর সেক্রেটরি এন সরাভানা কুমারনা ইমুংগী মীওইশিংদা অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল থাখি। মমাঙদা চহী অসিগী এপ্রিলদা নৌবাটপুরদা পোষ্টিং তাবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমা, এগ্রিকলচর এদভাইজর মঙা, এগ্রিকলচর কোওর্দিনেটর অহুম অমসুং লেন্দ প্রিজর্ভেসন য়ুনিটকী এগ্রিকলচর কোওর্দিনেটর অহুম কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিদা লৈখিদ্রবনি।

ভীর কুনৱার সিংহ য়ুনিভর্সিটি ভোজপুরগী রেজিষ্ট্রার নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্তা হার্ট এটেক তৌবদগী লৈখিদ্রে। মহাকসু ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইখি।

লৈখিদ্রবা রেজিষ্ট্রার নানহেশ্বর প্রসাদ নুমিৎ মঙানিগী মমাঙদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা সাসারামদা লৈবা নরায়ন মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি। মহাক হন্দক্তা রেজিষ্ট্রার হাপখিবনি অমসুং হীরম অসিগা মরী লৈননা এপ্রিল ৬তা বিহারগী গভর্ণর ফাগু চে চৌহানগী ওফিসনা নোটিফিকেসন অমা থোকখি।

পটনা দিষ্ট্রিক্টকী পুনপুন এরিয়াদা লৈবা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরগী দোক্টর অমসু নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্তা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিখি। অমিচান্দ প্রসাদ কৌবা লৈখিদ্রবা দোক্টর অসিগী মচানুপী এপ্রিল ২৩দা লুহোংখি। মহাক লুহোংবগী থৌরমগা মরী লৈননা মীয়াম মরক্তা তিনবদা কোরোনাভাইরস পক্লকখিবনি। এপ্রিল ২৫দা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকখি।

প্রসাদকী ইমুংগী মীওইশিংনা মহাকপু পটনাদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতা এদমিট তৌখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা মহাক্কী হকচাং হেন্না শোকচিল্লকখি অমসুং মহাক নিংথৌকাবগী অয়ূক অঙনবদা লৈখিদে।